## অবোনমাই মীহাৎকী কেস এন আই এদা খূৎশিন্নবা হোম মিনিষ্ট্রিদা ...

*লামায় ১গী মখা...* চেরোল অদু ঙরাং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী স্পেসল সেক্রেটরি (ইন্টরনেল সিক্যুরিটি) দা এদ্রেস তৌদুনা থাখিবনি। চেরোল অদুনা স্পেসল সেক্রেটরিদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তরুং গ্রেস কোলোনিদা লৈরম্বা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মচেংলুং লমলাবা ভিলেজদগী জেলিয়াংরোং বৌদি (অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ) গী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং এদভাইজর অথুৱান অবোনমাইবু তমেংলোং হেদ ক্বার্টরদগী থা অসিগী ২২গী অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা এন এস সী এন (আই-এম) গী কাদরশিংনা কিদনেপ তৌদুনা পুখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা অথুৱান অবোনমাইগী মচানুপানা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না পুলিস ষ্টেসন অসিনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে। কেস অদু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৬৫, ৪০০, ৩৪ আই পি সীগী মখাদা লৌখৎপনি। অথুৱান অবোনমাইগী মচানুপা অরান অবোনমাইনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অদুদা মহাক্কী অপোকপা অসি নুমিৎ অসিগী হায়রিবা পুংফম অসিদা এন এস সী এন (আই-এম) গী কাদরশিংনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা পোলোগ্রাউন্দদগী ফাদুনা পুখিবনি হায়রকখি।

অদুম ওইনমক লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎখিবা কেস অদু থৌদোক থোকখিবা মফম (প্লেস ওফ ওকরেন্স) অদু তমেংলোং পি এসকী জুরিসদিক্সন মনুংদা চনবনা কেস অদু তমেংলোং পি এসতা ত্রান্সফর তৌখি। লোয়ননা তমেংলোং পুলিস ষ্টেসননসু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৬৫, ৪০০, ৩৪, ৩০২, ৩০৭কী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৪ (৯) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়খি।

লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) গী মায়কৈদগী এম ঐচ এগী স্পেসল সেক্রেটরি (ইন্টরনেল সিক্যুরিটি) দা ঙরাং পীখিবা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক থোকখ্রিবা নুমিৎতুগী নুংথিলদা অথুৱান অবোনমাই তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ সব দিভিজনগী মনুং চনবা তামৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা লৈবা পালোং ভিলেজগী মফম অমদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখি হায়রি।

মরম অসিনা মহাকপু হাৎখিবা অসি এন এস সী এন (আই-এম) গী কাদরশিংনা চথখিবা থৌওং ওইগনি হায়রদুনা থৌদোক অসিগী কেস অসি অরুবা কেস ওইবদা নত্তনা ইন্টর-ষ্টেটকী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওদোক্নদবা য়াদবগী ফীভম লৈরকপনা কেস অসি নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না ইনভেষ্টিগেসন চথবদা মতিক চারবা কেস অমনি হায়খি।

মরম অসিনা এন আই এ এক্ট, ২০০৮গী সেক্সন ৬ (২) গী মখাদা মথৌ তারকপনা থৌদোক অসিগী মতাংদা থা অসিগী ২৪দা মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসকী অইবা চেরোল (নম্বর আই সী/১ (৫৭)/২০১৯-পি ঐচ ক্যু/৯৩৫২) য়াওনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা থা অসিগী ২৩দা পীরকখিবা চেরোল (নম্বর এস পি-তমেংলোং/২০২১ (এন আইএ)/৪৩৪৩), এন আই এ এক্টকী সেক্সন ৬কী মখাদা অপীবা ফোর্মেটকী ইনফোর্মেসন শীট, লম্ফেল পুলিসনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর কোপি ১ অমসুং থৌদোক অদুগী মতাংদা তমেংলোং পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আরগী কোপি অমসু স্পেসল সেক্রেটরি (ইন্টরনেল সিক্যুরিটি) দা পীবদা লোয়নখ্রে হায়রি।

মরম অদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মায়কৈদগী মরী লৈনবা পাউতাকশিং এন আই এদা পীবিদুনা হায়রিবা কেসশিং অসি এন আই এনা ইনভেষ্টিগেসন তৌহনবীয়ু হায়বসিনি।

অমরোমদা, অথুৱান অবোনমাইগী থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুং ঙসি নুমিৎ ৪নি শুরকপদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ওইরম্বা মোহৃরলে সন্দিপ গোপাল দাস (আই পি এস) শিন্দোক্নুনা মহাক্কী মহুত্তা এস পি/সী আই দি (টেক্নিকেল) ওইরম্বা অনুপম, আই পি এসপু এস পি তমেংলোং ওইনা পোষ্টিং পীখ্রে। মসিগী মতাংদা ঙসি দি পিগী জোইন্ট সেক্রেটরি অন্না অরাম্বমনা ওফিসল ওইবা ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না হায়রিবা ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দর অসি মখা তাবা ওর্দর অমা থোরক্ত্রিবা ফাওবা খুদক্তগী চৎনরগনি হায়রি।

লোয়ননা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওইবিরম্বা আমষ্ট্রোং পামে, আই এ এসপু স্পেসল সেক্রেটরি (আর দি এন্দ পি আর/পৱার) ওইবগী মথক্তা এম এস আর এল এমগী এস এম দি ওইনা ত্রান্সফর তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা আই এ এস ওফিসর ১৩না পুগদবা থবক থৌরমশিংসু হোংদোক হোংজিন তৌহনখ্রে। মসিগী মতাংদসু ঙসি দি পিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

মহাক্কী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ফম হোংদোক হোংজিন তৌহনখ্রবা অতোপ্পা আই এ এস ওফিসরশিং অদুদি কামজেংগী দি সী হুংয়ো ৱোরসংনা তমেংলোংগী দি সী, ফেরজেলগী দি সী মননুৱামচিংনা এদিসনেল সেক্রেটরি (হোর্টি এন্দ এস সী/কো-ওপরেসন), উখ্রুলগী দি সী জোসেফ পাওলিন কামসোননা ফেরজোলগী দি সী, হোর্টি এন্দ এস সী/কো-ওপরেসন/টি এ এন্দ হিলসকী এদিসনেল সেক্রেটরি কে জুনিংলানা টি এ এন্দ হিলসকী এদিসনেল সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা ত্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী দিরেক্টর, তেংনৌপলগী দি সী ওইরম্বা নাওরেম প্রবিননা এদিসনেল সী ঈ ও, মণিপুর, ফাইনান্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি নৈলেস্বাং তৈলিএননা ফাইনান্স/ভিজিলেন্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টর (ভিজিলেন্স), আর দি এন্দ পি আর/পৱারগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং এন এস আর এল এমগী এস এম দিনা বিষ্ণুপুরগী দি সী, কোওপরেটিভ সোসাইটিগী রেজিষ্ট্রার অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি (এগ্রিকলচর/টি এ এন্দ হিলস) পুরকখিবী অরাম্বম ভেলেন্টিনানা কোওপরেটিভ সোসাইটিজগী রেজিষ্ট্রার খক্তমক ওইরগনি হায়রি।

অদুগা ত্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী দিরেক্টর অমসুং ভিজিলেন্সকী দিরেক্টর ওইবগী মথক্তা লোয়শঙ অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরিসু ওইরিবা এল বিক্রমনা তেংনৌপলগী দি সী, কম্মিস্নর ওফ টেক্সেস এন জি রোবেননা মহাক্না পুরক্লিবা ফম অসিগী মথক্তা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ককী মেনেজিং দিরেক্টর ওইরগনি অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং এম এস সী বিগী এম দিনা থৌবালগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর, থৌবালগী দি সী ওইরম্বা রাংনামৈ রাং পিটরনা কামজোংগী দি সী অমসুং বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর কৃষ্ণকুমারনা উখ্রুলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওইরগনি হায়রি।

## সী এমগা ৱারী শাবদা...

*লামায় ১গী মখা...* মহাক্কী হকচাং লৌখিরোই হায়খি। পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসনদসু লৈখিদ্রবগী ইমুংগী মীওই অমা য়াওগনি। লোয়ননা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পাঙথোকপগা লোয়ননা ভিদিও কভরেজ তৌগনি হায়রি।

ঙসি চীফ মিনিষ্টরগা উনখিবদা কেস অসি এন আই এদা শীন্নবা থৌরাং তৌরে হায়না ফোঙদোরকখ্রবসু জে এ সীগী মায়কৈদগী তাল্লিবা দিমান্দশিং মপূং ফানা ফংবা লৈত্রি। মরম অদুনা ঙরাং লাউথোকখিবগী মতুংইন্না হয়েংগী অহিং নোংয়াইদগী হৌরদুনা নেসনল হায়ৱে অনীমক্তা ব্লোকেদকী খোঙজং চথগনি অদুগা সেপ্টেম্বর ২৯গী অহিং নোংয়াইদগীনা মণিপুর পূম্বদা পুং ২৪গী টোটেল শটডাউন তৌরগনি হায়খি। জে এ সীনা ঙরাং লাউথোকখিবা মতুংইন্না ঙসিদগী হৌরদুনা লাঙ্গোল তরুংদা মীয়াম্না মীহাৎ অসিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখি। খোঙজং অসি হয়েংসু মখা তানা চথখিগনি হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## ইন্টরিম ওর্দর চৎনখিগনি ...

*লামায় ১গী মখা...* পিটিস্নর টি ঐচ ইবোতোম্বীনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী নম্বরনা ৩৯৮ ওফ ২০২১নি। নুমিৎ অসিদা কেস অসিগা মরী লৈননা হান্না কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর ১৪৮ ওফ ২০২১ অদুসু পূন্না লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা সিনিয়র কাউন্সেল এন জোতেন্দ্রোনা মিসেলিনস কেস অসিগী এপ্লিকান্ট/রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখি। অদুগা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা রেসপোন্দন্ট/পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখি। কোর্টনা পার্টিশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অনীগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা সিভিল রিট পিটিসন নম্বর ৩৯৮ ওফ ২০২১গা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি - সী) নম্বর ১৪৮ ওফ ২০২১গী ওর্দর অদু রিজার্ভ তৌরে হায়না খঙহনখিবগা লোয়ননা হান্নদগী কোর্ট অসিনা কেস অসিগা মরী লৈননা পীদুনা লাকখিবা ইন্টরিম ওর্দর অদু রিজার্ভ তৌরিবা ওর্দর অসি লাউথোক্ত্রিবা ফাওবা মখা শাংথনা চৎনখিগনি হায়খি।

## কোংগ্রেসতা ভোট পীরম্বা মীওই ...

*লামায় ১গী মখা...* য়ৌবা লম্বী অথুবদা কোয়লাস থারগনি। শলুংফমদা ফজবা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা লৈগদবা লাইব্রেরি কম য়ুথ সেন্টর অমসু থম্লবা থৌরাং তৌরি হায়রদুনা অতৈ অতৈ চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়াসু পায়খৎনবা মীয়াম্না মখা তানা মতেং পাংবীয়ু হায়বা ৱাফমসু এম এল এনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হৈরোক জিলা পরিষদকী মেম্বর টি নুংশিনা হায়, হৈরোক এ সীগী হান্নগী মীহুৎ এক্স এম এল এ এম ওকেন্দ্রোনা মীয়াম তিনবা মফমদা মীয়াম্বু কোবি, হঙ্গাম লৈবদৌনা লৈবগী ৱাফম ফোঙদোরকপা অসি লাইবক য়াম্না থীবনি। হৈরোক এ সীগী মীয়াম অসিবু উশিত্তবনি। শেলনা মী অমগী ভোট থাদবগী হকপু লৈগনি খল্লিবা লুচিংবা শারিবা অসি হৈরোক এ সীগী মীয়ামনা পাড়া তন্বীরসি। হৌজিক অসি ইন্টরনেটকী অমদি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী খম থেংনা চাওখৎলবা মতমনি। ওইদবা ঙাঙবা য়াবা নত্তে। মীকুপ্তা মীয়াম খঙনরকপনি। মীয়াম তিনবা মফমদা তুং-মাঙ য়েংদনা পংহায়দা হায়জিল্লগা অচুম্বা শক্কনি হায়বা মতম অদু হৌখ্রবনি। ওইদবা ঙাঙবশিংদগী লাপথোকসি হায়খি।

## মপী মপা পান্দবগা পাঙ্খক্লরে...

*লামায় ১গী মখা...* নাইনা ফংদবা অমসুং অহল ওইরবশিংদনা মখোয়গী ফংফম থোকপা কান্নবশিং ফংদনা লৈরি। দিসএবল্দ কয়াসু ময়ূমদা নীংবা কায়দুনা ফল্লগা লৈরি। মখোয়গী তুংগী ফিরেপ লৈতবশিং ওইহল্লি। হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা এ সী অসিদা করিগী পোক্লিবনো হায়দুনা পেন্দবগী মৈচাক পোক্লরক্লি। মরম অদুনা অসিগুম্বা লৈঙাক্কী থৌশিল শোয়বা নৎত্রগা লৈঙাক্তা থাগৎলুবা মীহুৎতা অশোয়বা য়াওখিবা অমসুং মীয়ামগী অপ্টু দেট ওইদবা অমসুং এৱেয়র্নেস লৈতবশিংনা অৱাবা মায়োক্লরি।

লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২গী মীখল অসিদা এ সী অসিদা লৈরিবা অপূনবা মীওই লিশীং ৬০ রোমগী মনুংদগী ভোটর লিশীং ৩৫ রোমনা ভোট থাদগদৌরি। মসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমা ওইরিবা মীওই লিশীং ১২ রোমদি মশাগী চহী ১৮দগীনা ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংনি। হায়রিবা কাঙলূপ অসিগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা অমত্তা ওইনা ভোট পীবা তারগদি মখোয়গী অপাম্বা মীরেপ অমনা শোয়দনা মীখল অসিদা মায় পাক্কনি হায়খি।

হৌখিবা ইলেক্সন ফাওবদা এ সী অসিদা ভোট লিশীং ৮/৯ নৎত্রগনা ১০ য়ৌনা ফংবনা ভোট কাবা মীওইশিং ওইরি। মরম অসিনা এ সী অসিদা লৈরিবা নহারোল লিশীং ১২ রোমনা ষ্টেট অসিগী পোলিটিক্সতা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌরকপা তারগদি নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা নহাশিংনা পাম্বা মীরেপ অমা শোয়দনা ফংগনি। মরম অদুনা এ সী অসি চাওখৎহন্নবগীদমক কনাগুম্বা মীওই অমা নৎত্রগা এম এল এ ওইরবসু অথুবা মতমদা এ সী অসি সনানা ঈঙ্গ্রি শিংপা অদুদি ঙল্লোইদবনিনা এ সী অসিদা লৈবা মীয়াম মরু ওইনা নহারোল পূম্বনা ৱাখল তারগদি এ সী অসি অথুবা মতমদা চাওখৎপগী খোঙজেল য়াংশিনহনবা ঙমগনি হায়খি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 86.519171 |
| US Dollar | 73.833401 |
| British Pound | 100.954227 |
| Australian Dollar | 53.588756 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.417735 |
| Japanese Yen | 0.666690 |
| Malaysian Ringgit | 17.624573 |
| Singapore Dollar | 54.539993 |
| South Korean Won | 0.062543 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.688907 |
| Thai Baht | 2.207079 |

| Spot Gold (24K) Rates/10gm | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 45735.00 |
| Mumbai | – | Rs | 46100.00 |
| Delhi | – | Rs | 45962.00 |
| Kolkata | – | Rs | 46245.00 |


## GAS NEWS

**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:**
**Booking up to 08/08/21**
Valid from 13/07/21.
Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 11AM.
#For queries during office hours: 9362661205
#For phone booking send SMS (Consumer ID & Name) to 7640848814

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING : BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 13-09-21**
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Home delivery contact no. 7005013837, 9366008621
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 10.am

**RBD INDANE SERVICE**
**Booking upto:-10/09/2021**
Valid from :- 21/08/2021
**Stock :- 564**
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-11AM and 2pm -4pm ( Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
( Delivery within 4 days)

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**TDK GAS**
**BK. UPTO 03/08/21.**
VF.01/08/21.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 6909614353, 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 02/09/2021
**BOOKING UPTO: 06/09/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.


## ইরাবতকী হৈথা-লৈথা, ষ্টেট মোর্ন দে পাঙথোকখ্রে, পালরবোন্দদা মীতম খিনখ্রে

*লামায় ১গী মখা...* শেমগৎপীনবা লৈঙাক্তা আপীল তৌখি।

অমরোমদা, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগীনা মহৌশাগুম্না চৎলিবা কুমজা ২০২১গী সেপ্টেম্বর ৩০দা পাঙথোক্কদৌরিবা লমযানবা হিজম ইরাবতকী ১২৫ রক শুরকপা মপোক নুমিৎকী থৌরম অসি মণিপুর খক্তা নত্তনা অসাম, ত্রিপুরা অমদি বাংলাদেশনচিংবা মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোক্লগাদৌরি। অদুবু অথুৱান অবোনমাই হাৎলম্বগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা নুমিৎসিমক্তদা টোটেল শটডাউনগী খোঙজং চথগনি লাউথোক্লকপা অসিনা মপোক নুমিৎকী থৌরম শীঞ্জরুবা পূন্নমক্তা অকায়বা শোয়দনা থোকহল্লগনি। মরম অদুনা জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল মর্দর ওফ অথুৱান অবোমাইগী থৌবুরোই পূন্নমক্না লমযানবা অসিগী মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকপা অমসুং মসিদা শরুক য়ানবগীদমক লাক্লগদবা মীয়ামদা অপনবা পীবিদনবা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুরগী মীয়াকৈদগীসু আপীল তৌরক্লি হায়রি।

জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজং অয়াম্বদা সেলেব্রেসন কম্মিটি অমদি সী পি আইনা শৌগৎকনি। পার্টি অসিনসু মীহাৎ অদুবু য়ানীংদে হায়বগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা পূন্নমক পন্দুনা খুদক্তা মীহাৎপশিং অদু ফাননবা তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

লোয়ননা অথুৱান অবোনমাই অসি মণিপুরগী ঙমখৈগীদমক কন্না থেংনজরম্বা মীশকনি। মাগী মীশি অসিমক মণিপুরবু তেক্তা কায়দনা থমগদবনি হায়বা মহাক্কী ফিরেপ অদুগীদমক মীহাৎপশিং অদুনা খূৎ থাখিবা ওইরমগনি খল্লি। মতাং অসিদা লমযানবা ইরাবতকী পুন্সিগী অয়াম্বা শরুক্তা মণিপুরগী ঙমখৈগীদমক কখোল্লক্সগীদমক ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অমসুং অসাম, বাংলাদেশকী মীয়ামনা লমযানবা অসিবু শক শোন্নরিবনি। লমযানবা অসিগী মপোক নৈনবা অসি অথুৱান অবোনমাইগী ষ্ট্রগল অমগুম্না পাঙথোকপা তারক্লি। শাংলবা চহী চা কয়া অসিদা লমযানবা অসিগী মপোক নুমিৎপু লৈঙাক্লসু ষ্টেট হোলিদে ওইহল্লক্লিবনি। লৈঙাক খক্তা নত্তনা মীপূম খুদিংমক য়াওনা পোলিটিকেল পার্টিশিং, ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি খুন লৈকায় খুদিংদা লৈরিবা মীয়াম পূন্নমক্না হায়রিবা নুমিৎ অসিদা লমযানবা অসিগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবনা জে এ সীনা চঙশিনগনি লাউথোরক্লিবা টোটেল শটডাউনগী খোঙজং অসি নুমিৎ অসিগী থৌরম অসিগীদমক য়েংদুনা কোমথোকপীয়ু হায়রি।

লোয়ননা কুমজা ১৯৫১দা ম্যান্মারগী তাংবোদা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা লমযানবা হিজম ইরাবতকী লৈখিদবা কুমজা ঙসি ৭০ রক শুরকপা নুমিৎতা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুরনা শীন্দুনা 'ষ্টেট মোর্ন দে' হায়দুনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অসিবু পাঙথোকখিবা মফমশিংনা ইরাবত ভবন, চীংঙা চীং, বিষ্ণুপুরগী খ্বাইরাকপন, নিংথৌখোং পব্লিক হোল অমসুং থৌবালগী ক্ষেত্রি শঙলেননি।

ইরাবত ভবনদা ইহান হান্না পাঙথোকখিবা থৌরমদা লমযানবা অসিগী মীতমদা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নর, ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা লুচিংদুনা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমখি। লোয়ননা পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরিএটকী মেম্বর এম সিংহজিৎ, আর কে অমুস্না অমদি পার্টিগী সিটি দিষ্ট্রিক্ট অমদি লোকলগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ইরাবতকী অরোইবা পুন্সিগী তাঙ্কক অদুগী মতাংদা ডা. এম নর অমসুং এল সোতিনকুমারনা ৱা ঙাঙখি। মথংদা ইরাবতকী পুন্সিগী মরু ওইবা তাঙ্কক ওইখিবা চীংঙা চীংগী চীংথক্কী নোংচুপ থংবদা লৈবা লমযানবা অসিগী খুভমদসু শিংজমৈ লোকল কাউন্সিলনা শীন্দুনা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

মহৌশাদগী ইরাবতকী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তল্লকপগুম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওফিসকী ওপেন ভবনদা ইরাবত উসব অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা লুচিংবা অসিগী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎপগা লোয়ননা ইরাবতকী ঈহৌগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

নিংথৌখোং কৈথেল পব্লিকগ্রাউন্দদসু থৌরম অসিগা মরী লৈননা ডা. নর অমদি এল সোতিনকুমারনচিংবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

থৌবাল ক্ষেত্রি শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরমদনা থৌবাল অমদি ৱাংখেম লোকলনা শীনখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা লৈবাক্কী মীয়াম্না মীহাৎ মীপুনগী অৱাবা খাঙলিবা অথুৱান অবোনমাই হাৎলম্বা থৌদোক অসি লৈঙাক্কী অশোয়বনি হায়নসু এল সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখি হায়রি।

অদুগা ইরাবতকী পোক্লফম লমদম ওইরিবা পিশুমদা লৈবা লমযানবা অসিগী মীতমদা হিজম ইরাবত মেমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্ট, মণিপুরনা শীন্দুনা মহাক লৈখিদবগী ৭০রক শুরকপা নুমিৎকী হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

থৌরম অসিদা ত্রষ্ট অসিগী চেয়রমেন এন জি নোংযাইনা হায়, লমযানবা ইরাবত লৈখিদবা নুমিৎ অসি হৌজিক কোভিদ লাইচৎ মায়োক্লবনা চাউনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে। এসিয়ন ষ্টেটশিংগী মনুংদা লুচিংবা ওইরম্বা অথৌবা অসিনা ম্যান্মারগী সাইগাং রিজনগী তাংবো রিজন্দা লৈখিদবনি। অদুবু ঙসিগী থৌরম অসি লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা পামজরম্বা কয়াদুগী লম্স্বেলদা চঙশিন্নবা পাঙথোকপনি।

মহাক্না লৈখিদবা মফম অদুদা ম্যুজিয়ম অমা য়াওনা টুরিষ্ট স্পোর্ট অমা শেমগৎনবা মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লি হায়রদুনা করি করম্বা খুদোংচাদবা লৈবদগীনো হৌজিক চহী অনী হেল্লক্লবা ফাওবদা থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তে হায়খি।

মরম অসিনা মণিপুরদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (এক্সটর্নেল এফেয়রস) ওইরিবা ডা. আর কে রঞ্জনদসু তকশিল্লগনি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

থৌরম অসিদা এম য়ুগী ইকনমিক দিপার্টমেন্টকী চীংলেন মাইস্নামনা শরুক য়ারদুনা মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবত মী ওইনা লৈখিবা মরম্না ঐখোয়না মঙোন্দগী লৈরিবা তমজনীংঙাই ওইবশিং অসি তমগদবনি। লুচিংবা অসি মায়কৈ লেপ্পা অমসু ওইখিবনা অরোইবা মতমদা ওৎপী নৈবীরবা লায়রবশিংগীদমক্তা লেপখিবা লুচিংবনি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসি ঐখোয়গী পুৱারীদা লৈহৌরিবনি। ঙসি ফাওবদা ঐখোয় অৱাবদগী কোকপদি নত্তে, মতমগী অহোংবা কয়া লাক্লবসু হৌজিকসু ৱারিবনি। ঐখোয় ইমা মশক খঙদ্রি হায়রম্বনি। ইমা মশক খঙদবগী অৱাবসি হৌজিকসু নীংশিংলি। মীওইবগী অৱাবা কোক্লবগীদমক্তা লায়রবা অমসুং তোল্ল-তারবশিংদা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা ঐখোয়না চঙশিনবা চুল্লে হায়খি।

লোয়ননা লমযানবা অসিনা লৈখিদবা নুমিৎপু নীংশিংলদুনা ঙসি কছারগী পালরবোন্দদা লমযানবা অসিগী মীতম অমা পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাং অমসুং কাওসিক রায় অনীনা মায়খুম হাংদোকখ্রে হায়রি।

রাইটরস ফোরম অসিনা কৎপা মীতম অসি হিজম ইরাবত নীংশিং লূপ অমদি রুরেল দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (পালরবোন্দ) অনীগা খূৎশম্মনা লমযানবা অসিবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা খিনখিবনি। নাটকী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা ফোরমনা পীদুনা লাকপা 'লমযানবা ইরাবত লাইফ টাইম এজিভমেন্ট এৱার্দ-২০২১' কছারগী শক্লাইরবা অইবা মাইস্নাম ভুবোনদা পীখি। 'পচা মীতৈ লিটরেরি এৱার্দ ২০২১' না অইবা লমাবম বিরেন্দ্রদা পীরগা 'ডা. সরোজ নলিনি অরাম্বম পরাট্ট লিটরেরি এৱার্দ ২০২১' না অইবী এন জি বিজোয়া কৈশামদা পীদুনা ইকায়খুম্নখি। এৱার্দশিং অসি খাঙেম্বম প্রিয়োজিৎ অমদি কোঞ্জেংবম দিলিপ অনীনা কৎলকখিবনি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাংনা অথোইবা মীথুংলেন, হিজম ইরাবত নীংশিং লূপকী প্রসিদেন্ট খাইদেম গৌরহরিনা থৌরম মপু অমদি লখিপুর এ সীগী এম এল এ কৌসিক রায়না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা খাপ্রি ইন্দষ্ট্রিজ প্রাইভেট লিমিটেদকী চেয়রমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর খাঙেম্বম প্রিয়োজিৎ, রাইটরস ফোরম মণিপুরগী পেট্রোন মেম্বর কোঞ্জেংবম দিলিপ, ইরাবত নীংশিং লূপ, পালরবোন্দগী এদভাইজর খাইদেম কান্ত, এম দি সী অসামগী চেয়রপর্সন মুতুম রিনা সিংহা, মণিপুর শোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ইঙুদম বিনোদ অমদি সোসল ৱার্কর চোংথাম গৌরনচিংবা শক্লাইরবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তারকপদা ইরাবতকী মরমদা সেমিনার অমসু পাঙথোকখি। মসিদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ (সাহিত্য একাদেমি), ন্যু দেল্লীগী মেম্বর থোকচোম বিশ্বনাথনা মোদরেটর ওইখি অদুগা মনিকুমার নাওরেমচানা 'কছারদা জন নেতা হিজম ইরাৱট' অমসুং নাওরেম ওংবী মাইস্নাম বিনানা 'হিজম ইরাবতকী লোয়নবী খোমদোনস্না' হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখি।

## অৱাংপতনা থল্লবা খুন্দ্রাকপম এ সী চাওখৎহনগনি ...

*লামায় ১গী মখা...* লিমিটেদ হায়বা কম্পনি অমা লিংখৎতুনা মীওই কয়া থবক পীজদুনা থবক তৌরিবা মরম্না অদুমক হিংবা ঙমখিগনি। অদুবু তেল্লবা পুন্সি অসিদা ইশাগী খক খল্লগা হিংবগী মহুৎতা মীয়ামগী থবক তৌবা পাম্বনসু পোলিটিক্সকী লম্বী অসিদা খোঙ থাংজিল্লকখিবনি।

**ৱাহং :** হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

**পাউ :** লৈঙাক অমা লৈরগদি লৈঙাক অদুগী অফবা অমদি ফৎতবা অদুমক খরদি লৈগনি। অদুবু অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লবগীদমক মপান লমশিংদা চাওখৎপগী লমজেল তৌনরিবা অসিদা ঐখোয়সু শরুক য়ানবা হোৎনহন্নিংই।

**ৱাহং :** লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইবীগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা মীখল মায়োক্লগে হায়না খনবিরি?

**পাউ :** বি জে পি পার্টিদা শোয়দনা মীরেপ অমা ওইগনি হায়বগী থাজবা অমগা লোয়ননা মীখল থেংনগনি। অদুগা এ সী অসিগী লৈরিবা অৱাৎপা ময়ামশিং অমদি শোৎথরিবশিং অসি মেনখৎনবগীদমক থবক তৌগনি। মদুনা ঐগী ভোট লেপ্পগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি।

**ৱাহং :** কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

**পাউ :** অহানবদা এ সী অসিগী থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনগনি। মরমদি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি মদুদি লায়না অয়াম্বা ঈশিং ফৎতবা থকপদগী ওইরকই। মসিগী মথক্তা হান্নদগী শেম্বোক লম্বী লৈজদ্রবা মীয়াম অসিনা উপায় লৈতবা মরম্না শেল তিংনা থক্লনবা ঈশিং লৈদুনা থক্লরি। মসিনা শেনমিৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমসু পীরি। অতোপ্পা মফমশিংদা চহী অমদা দবল অমদি ট্রিপল ক্রোপিং ফাওবা তৌনরে অদুবু লমদম অসিগী লৌমীশিংদি কুমগী নোংদা দিপেন্দ অদুমক তৌরিবা মরম্না লৌরোক অমুক ফাওবা মতিক চানা লোকপা ঙমদ্রি। মরম অদুনা ইথৈ-লৌখোং মতিক চানা শেমগৎকনি। হৌজিক লৈরিবা দোলাইথাবি দামসু মমিং খক্তগী ঙাইরে। লম্বী-থোংগী ফীভম ফৎতবনা পুথোক্লিবা পোৎথোকশিং মফম চানা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওই। অনা-লাইয়েংশঙ মতিক চানা লৈতবনা তশেংনা মায়কৈ অসোমদা থোকহন্নিংদবা অৱাবা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। লৈখিদবা মীওই কয়া অমসু য়াওখ্রে। হায়রিবা মরম কয়া অসি লৈবা মরম্না ৱানা লৈরিবা এ সী অসিগী মীয়াম্বু অমুক্কা হেন্না লায়রা তালহনবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা এ সী অসিদা লৈরিবা অৱাৎপা ময়াম অসি মেনখৎনবা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌগনি। মরম অদুনা পব্লিককী ওইবা তৌদবা য়াদ্রবা তঙাইফদ্রবা থবকশিং অসি ঐ শোয়দনা পাঙথোক্কনি।

**ৱাহং :** নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

**পাউ :** মরম কয়া অমদি লৈখ্রে। হায়নিংবসু কয়ানি, অদুবু মরম খরদং পঞ্জরবদা হৌখিবা পুৱারিদা ঐখোয় মণিপুরীশিং অসি রেসিজমগী মতম খরা থেংনদুনা লাকখি। মসিনসু চাওখৎপা খরা থিনথখিবনি। লমদম অসিদা করপসন চাওনা লৈবগা লোয়ননা মমা লৈবাকপু অমদি লমদম অসিগী মীয়ামগী খন্দনা শুপ্নগী মশাগীতা খন্দুনা থবক তৌনখিবা মরমশিং অসিনা চাওখৎপা থিন্থরম্বনি হায়না খল্লি। কনাগুম্বা মীওই খরনা মণিপুরদা শুফম-নোমফম লৈতেহায়বসি মপান্দগী লাকপা মীওই কয়া অমা থবক তৌরি। মণিপুরী অমনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা খোংউপ কাপ থাবগী থবক তৌরুবদা কনা অমত্তনা কাপ থাবিরোই, মসিসু খঙমিন্নসি। ইশাগী লৈরিবা কম্পনি অসিদা য়ারিবমখৈ ইরমদমগী মীওইশিং থবক শুহল্লি। লোয়ননা মখোয়না হৈতবা থবকশিং অদু মপান লমগী মীওইশিং কৌরগা লমদম অসিগী মীওইশিংসু থবকশিং অদু হৈহৌনবা হায়দুনা পুন্না থবক তৌহল্লি। হায়জনিংলিবদি ইরমদম অসিদা ঐখোয়সু থবক্তা চিলহাও থীদনা ৱার্ক কলচর লৈনা থবক তৌবা য়াম্না মথৌ তারি।

**ৱাহং :** অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

**পাউ :** ক্লাস ১২কী মতুংদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা মখা তাবা লাইরিক তম্লকখি। মীরট য়ুনিভর্সিটিদা গ্রেজ্যুএসন অমদি মাষ্টর লোইশিনখি। অপোকপগী মীংনা কৈথেল্লাকপম শামুঙৌ কোই অদুগা অপোকপীগী মীংনা কৈথেল্লাকপম ওংবি জামিনি কৌই। ইমাদি লৈখিদ্রে।

**ৱাহং :** পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়নৈ অমদি পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

**পাউ :** পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা তৌগে খল্লিবা থবকশিং তৌবা ঙমদে হায়নরিবসি য়াম্না চুম্মী। মসিগীসু মরম কয়া লৈগনি। পোলিটিসিয়নশিংগী মনুংদা চেল্লিবা তোঙান-তোঙানবা ইচেলশিং অদুদা অদুমক পোলিটিসিয়ন অদুসু তিনদুনা চৎখিবনা ওইরম্বসু য়াই। নৎত্রগা ভোট কারবসু রুল্লিংদা য়াওবা ঙমদবনসু ওইরম্বা য়াই। অদুবু করিগুম্বা এ সী অসিগী মীয়াম্না নুংশিবিদুনা মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীরবদি ঐনা এ সী অসিগী তৌগে খঞ্জরিবা থবকশিং অসিদি শোয়দনা চাম্মদা চাম্মা তৌবা ঙম্নবা হোৎনগনি। ভোট কারবা মতুংদা মীহুৎ অদুনা মীয়ামগা লোয়ননা থবক তৌরক্তবদি মীয়াম্নসু মথংগী ইলেক্সনদা মীহুৎ অদুবু অমুক হন্না থাগৎতবা হায়বসি মীয়ামগী মখুৎতা লৈ হায়বসি ঐ ইশা খঙজে। মরম অদুনা মীয়ামগা লোয়ননা চৎকনি অমদি মীয়ামগী অঙম্বা থবক তৌগনি হায়জরি।

**ৱাহং :** এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

**পাউ:** এ সী অসিগী অপুনবা ভোটর মশীং ২৬,৩৬৮ লৈ, পোল্লিং ষ্টেসননা ৪০নি। নন মনিপুরী ভোটরদি লৈতে।

**ৱাহং :** পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

**পাউ :** মীয়ামগী তৌজনিংলিবা থবকশিং হায়বদি ফৎত্রিবা এ সী অসিগী লম্বীশিং কোয়লাস থাগে, থক্লবা ঈশিং ফংহনগে, হেল্থ সেক্টর চাওখৎহনগে অমদি লৌমীশিংনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা ঈশিং ফংহন্নবা ঈথৈ-লৌখোং মতিক চানা শেমগৎপা পাল্লিবা অসি ঐগী লৈজরিবা লনাই পাঙ্গলনা তৌবা ঙল্লোই। লোয়ননা ঈং-তপ্পা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা থৌরাং-থৌশিলশিং পায়খৎকে খল্লিবশিং অসি মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইদনা লৈঙাক পায়বা য়াওদনা তৌবা ঙল্লোই। মরম অদুনা পোলিটিক্স অসিদা চঙলকখিবনি। হোয়, মীয়াম্না ঙাঙনরিবা পোলিটিসিয়ানশিং ফত্তে হায়নরিবা অসিসু লানবা নত্তে। অদুবু ঐগী ওইনদি মীয়াম্না য়ানবা অমদি মীয়ামগী থবক তৌগনি। ঐখোয়গী এম এল এ অসিনা তৌরক্লিবা থবক অসিদি তশেংনা থম্মোয়না পেল্লে হায়গদবা থবকশিং তৌগনি।

**ৱাহং :** করপসন চাওনা লৈরে পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

**পাউ :** করপসন হায়বসি ইশা নুংঙাইজগে হায়বনি। থবক অমা চঙনবা হোৎনবদা লুপা লাখ-লাখ কয়া পীনরিবা অসি তশেংনা হায়রবদা ৱাদনা নুংঙাইগে হায়বনি। মরম অদুনা অহানবদা অসিগুম্বা ৱাখল্লোল অসি থাদোকহন্নিংই। লোয়ননা লাইরিক হৈবগা লোয়ননা লাইশুসু মীপুম খুদিংমক্তা লৈহন্নিংই। মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী ইনকম ৱাংখৎলক্তুনা হিংবা ঙম্নবদি করপসন ফনা য়াম্নদি হন্থহনবা ঙমগনি খল্লি। মসিগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্না মানা-মানা তৌবা ঙম্বা হৈজবা অমদি চান্নজবা শীনফমশিংদা কন্না হোৎনদুনা থবক তৌবা চঙই। তশেংনা হায়রবদা য়াম্না ফজনা তোঙান-তোঙানবা বিজিনেস তৌজবা মীওই অমনা লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওই অমদগী হেন্না শেল তানবা ঙম্বা খক নত্তনা অতোপ্পা মীওইবুসু থবক পীবা ঙম্মী। মরম অদুনা মীয়াম্না লৈঙাক্কী থবক খক্না থবকনি হায়বা ৱাখল্লোল থাদোক্তুনা থবক তৌবা চঙই হায়জনিংই।

**ৱাহং :** লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

**পাউ :** লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়াম্না লাইনা ফংলিবা অসি ইন্টরনেসনল বোর্দর এরিয়াদা লৈরুবা অসিনসু মরম অমনি। ৱাদনা য়াম্না থুনা নুংঙাইনিংবা ৱাখল্লোল থাদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা লমদম অসিগী থবক তৌরিবা মীওইশিংনসু পুকচেল শেংনা থবক তৌহন্নিংই।

**ৱাহং :** থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

**পাউ:** ফেক্টরি অমদি ইন্দষ্ট্রিসু মরাং কায়না লৈতবনা লমদম অসিদা অনইমপ্লোয়মেন্টগী চাং অসি য়াম্না ৱাংনা লৈবনি। অদুমকপু মমাংদসু ঐনা হায়জখ্রে লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপচাশিংনা ৱার্ক কলচর লৈনবা হোৎনবা য়াম্না মথৌ তাই। কনাগুম্বা মীওই খরনা হায়, থবক শুনিংঙাই লৈত্রে হায়না অদুবু লমদম অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটতগী লাকপা মীওই কয়া থবক শুদুনা শেল তাল্লি হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। থবক শুনিংবগী ৱাখল লৈরবদি থবক ৱাংলোই হায়জনিংই। চাক-চান্নদুনা, জ্বার শান্নদুনা অমদি ফমদুনা মতম মাঙহল্লগা থবক লৈতে হায়বদুদি ঐগী ওইনদি য়াজনিংদে। থবক্কীদমক লৈঙাক খক্তদা তাইনদুনা লৈরবদি ইরমদম অসি চাওখৎপা ৱাগনি।

**ৱাহং :** ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা করি-করম্বা শেমদোকহন্নিংবা অমদি হোংদোকহন্নিংবা ৱাফমগদি লৈব্রা? করিগুম্বা লৈরগদি হায়বিয়ু।

**পাউ:** ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা চঙগদৌরিবা মীওইশিং এদ্যুকেসনগী মঙাল মতিক চানা ফংলবা মীওইশিং চঙহন্নিংই। লোয়ননা হায়জনিংবা ৱাফম অমনা ম্যেনমার হায়রিবা লৈবাক অসি অন্দর দিভেলপ কন্ট্রি অমনি। অদুবু ইন্দিয়াগী করেন্সিগা য়েংনরুবদা অসুমক মগুন হেনগৎলক্লি, অদুগা ইন্দিয়াগীনা হান্নগুম অদুমক হামু-হামু লৈরি। চহী খরগী মমাংদা অতোপ্পা মপান লৈবাক কয়াদা চৎখিবগুম্না ঐখোয়গী য়ূমথংনবদা লৈরিবা ম্যেনমারদসু চৎলুই। হোটেলদা মোবাইল তাহৌবদা অমুক হন্না চৎলুবদা ঐখোয় হেক উবদা মোবাইল অদু অদোমগীনি হায়না খূৎশিন্নবিরকখি। মতাং অসিদা হায়জনিংবদি অতোপ্পা কন্ট্রিশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ইন্দিয়া অসি পুকেচেল শেংবা অমদি সিন্সরিটি য়াম্না ৱাৎলি। অদুম্না পোলিটিক্সতসু পুকচেল শেংনা থবক তৌহন্নিংই। ঐদি করিগুম্বা মতমদা ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসি লাকখিবা অসি খরা ঙন্না লাকমনখ্রে হায়বা ফাওবা খল্লকই।